# মথী ময়ুং শেংদোক্তুনা ওক লোয়বা

– ডা. সরাংথেম জেসমারানি –





হৌজিক্কী মতমদা শেন্দাল লন্বী অমা ওইনা মফম খুদিংদা ওক লোয়নরি। ওকশিং লোয়বা মতমদা য়ূমগী মনাক নকপদা লোয়বনা অয়াম্বনি। মসিদা মথী ময়ুং শেংদোক্লগা মফম চানা পৈশিনফম লৈতবগীসু অৱাবা অমা ওইরি। ওক লোয়বা মতমদা য়ূমলক্তা লোয়বসিসু অচৌবা অশোয়বা অমনি। অদুবু মফম নিংথিনা লৈতবা জগা ওইরগদি অনৌবা মওং অমদা লোয়রগা মনম মহা চেলহন্দনা মথী ময়ুংসু শেংদোক্তুনা লোয়বসু য়াই। হায়রিবা ওক লোয়বগী মওং অসিবু ঐখোয়না বোকাশী পিগরি হায়না কৌনৈ।

বোকাশী হায়বগী ৱাহন্থোক্তি পুমথহল্লবা ওর্গানিক মেট্টর হায়বনি। মসি জপানিজ লোলনি। মসিগী মওংদা লোয়বা মতমদা কান্নরবা মীৎনা উবা ঙমদবা অফবা মখলগী হীংকুপ ময়াম অমা শীজিন্নৈ। মসিগী মথক্তা ৱাদগী লৌবা মহী অমগসু শীজিন্নৈ। অফবা মখলগী হীংকুপশিং অসিনা ওক্কী মথী ময়ুংদগী থোরকপা নমথীবা মনম কয়া অমা নমথহন্দুনা মনম চেলহন্দে, হয়িং তোংবগী চাং য়াম্না হন্থহল্লি। ওকশিং নাবগী চাং য়াম্না হন্থহল্লি। মচিঞ্জাক চাবগী চাং হন্থনা পীজরগা লূম্বগী চাং হেনগৎহল্লি। থা ১০ শুবদা মপূং মরৈ ফাদুনা য়োনবা ঙমহল্লি।

ওক্কী মকোন শাবা মতমদা লৈমায়দগী ফুট ৩গী চাংদা লুনা তৌবীগনি। করিগুম্বা মতমদা নীংশিংবীগদবা অমনা শাগদৌরিবা ওক্কোনদুগী মনাক্তা করিগুম্বা লৌবুক ওইরগদি নোংজুথা মতমদা ঈশিংগী ইফুৎ ফাওরকপগী চাংসু য়েংবীগনি। করিগুম্বা ঈশিং চুমথরকপগী মওং উরগদি খরা ৱাংখৎনা লৈহনবদা অকায়বা লৈতে। তৌবতবু কোমদু ফুট ৩দি লুহনবীগদবনি। মচা ধারা লৌনবগী ওক ওইরগদি ওক অমদা ফুট ৬ x ৪ ওইগনি অদুগা মশা চানবা ওক পূন্না লোয়গদবা ওইরগদি ওক অমদা স্কৱার ফুট ১৬ ওইগনি। ওক্কোন শাবা মতমদা অকোয়বদু লৈমায়দগী ফুট ২ ৱাংনা কোয়শিনবীগনি। মসি নৎত্রগসু লমহাং ওইরগদি অকোয়বগী ৱালদু ফুট অমমুক্তং খাজিনবীগনি। ওক্কোনগী মথক্লা/য়ূমথক্লা সধারনগী ওক্কোনগী য়ূমথক্কুম্না শেম্বীবা য়াই। ওক্কোন মনুংদা ঈশিংগী ঈফুৎ ফাওরক্লগদি হায়রিবা বোকাশীগী মওংদা লোয়বদা অশোয়বা কয়া অমা য়াওরক্কনি। মরম অসিনা ওক্কোনগী কোম তৌবা মতমদা ঈশিংগী ঈফুৎ লাক্তবা অমদি কংনা থম্নবা হোৎনবীগনি। ওক্কোন মনুংদসু নুংশিৎ মরাং কায়না ফংবা মথৌ তাই।

ওক্কোন মনুংদা কোম তৌরবা তুংদা কোমদুনা উকুপ ৪০%, অকঙবা মনাশিং/চরু ১০%, ৱাইকুপ ২০%, অফবা মখলগী লৈবাক ২০%, ৱাইদগী শেম্বা মৈতাল ১০%, কলানমক, ৱা মহী অমদি হীংকুপ শীজিন্নবীগনি।

মথক্তা থল্লিবা পোৎচং ময়ামশিং অসি ঐখোয়না তৌরিবা কোমদুগী চাওবা শাংবগী মতুংইন্না মরোল মরোল হাপ্লীগনি। মরোল অমা হেক হাপ্পা লোইবগা ঈশিং চাইশিনবীদুনা তোৎশিল্লগা লৈতেম মান্ননা থম্বীগনি অদুগা অমুক অতোপ্পা মরোল অমা শেম্নবা হৌবীরগা লৈতেম মান্ননা থম্বীগনি। অসুম্না মরোল মরোল ঈশিং চাইদুনা শেম্বীরবা মতুংদা লৈতেম মান্ননা অরোইবা ফাওবা থম্বীরবা তুংদা মথক থংবদু চৰূনা কুপশিনবীরগা থম্বীগনি। নীংশিংবীগদবা অমনা ঈশিং চাইরগা তোৎপা মতমদা ঈশিংগী চাংসি চাদা ৬০%দগী হেলহনবীরোইদবনি হায়বদি তোৎলিবা পোৎলমশিংদু খূৎনা পায়শিনবা মতমদা মচুম তাহনলোইদবনি অমদি খরা চোৎনা লৈহনগদবনি। মকোক মনুংদু লৈতেম মান্ননা থল্লবা মতুংদা হাপ্তা অমা/অমা লেংদনা থম্বীগনি। মরমদি হায়রিবা মতমসিদা অহিংবা হীংকুপশিংদু মশীং য়ামহনবগী খুদোংচাবা লৈহনগনি। হাপ্তা অমা লৈরগা ওকশিং থম্বীবা য়ারে। ওক থম্বীবা মতমদা ওকশিংদুনা মনাতোন্না হুৎল-হুৎলগা চাবা থেংনরগদি মদু মায় পাকপা অমা ওইরে হায়না লৌবীগনি।

ওকশিংসি য়াম্না শীংবা শা অমা ওইবনা মথী, ময়ুং চোয়দে, জগা অমদা অদুম তৌবা থেংনজে। মরম অসিনা ওক মপুনা নুংতিমক্কী য়োৎপাক্লা লৈতেম মান্ননা শেমবীগনি। করিগুম্বা মতমদসু ওক্লা লুম্বা শা অমা ওইবনা অমদি ওক্কোন মনুংগী কোমদুদা হাপ্লিবা পোৎশিংদু অয়াঙবা ঙাক্তা ওইবনিনা নমথবা থেংনরক্কনি। মরম অসিনা মতম মতমগী ওইনা মথক্তা থল্লিবা পোৎলমশিংদু অমুক অমুক হাপ্লীবগা লোয়ননা হীংকুপ অমদি ৱাগী মহীসু হাপ্লীগনি। অসুম্না মনুংদা লৈরিবা ওক্কী কুনফমশিং মখোয়শিংদু য়োম্থোকত্রিফাওবা নৎত্রগা চহী অমা চূপ্লা থম্বীবা য়াই। ওক্কোন মনুংদা লৈরিবা পোৎলমশিংদু কম্পোষ্ট ওল্লবনিনা লৌউ-শিংউবা অমদি পোৎ চৈ থাবদা শীজিন্নবা য়াই। কেজি অমনা স্কৱার মিটর অমগী চাংদা লৌফমদা শীজিন্নবা য়াই। মসি ঙাগী মচিঞ্জাক ওইনসু শীজিন্নবা য়াই।

অসিগুম্বা বোকাশীগী মওংসিদা লোয়রবা ওকশিংগী পীজ পীথক তৌনবা পাত্রদু ওক্কোনগী মপান নৎত্রগা মনুংলোমদা থম্বীবা য়াই। তৌবতবু মনুংদা থল্লগদি মপান্দগী মচিঞ্জাক পীজবা য়াবগী মওংদা থম্বীগনি।

ওক মচিঞ্জাক পীজবা মতমদসু মচিঞ্জাক কা হেন্না পীজবগী মথৌ তাদে। নোংমদা ওক মপী অমনা কেজি ৩ চাগদবদু কেজি ২দা হন্থহনবা য়াই।

অসুম্না অসিগুম্বা অনৌবা মওং অসিদা ওক য়োকপীরগদি শিবা, নাবগী চাং হন্থবদা নত্তনা হেন্না শেন্দোং লৈবা অমা ওইবগা লোয়ননা মনম মহা চেন্দনা লোয়বা ঙমগনি। মসিগী মতাংদা অকূপ্পা মরোল হেন্না খঙবীনীংবা লৈরগসু মখাদা পীজরিবা মেলসিদা হংবীরকপা য়াগনি - kvkthoubal@gmail.com। ●

# মণিপুরগী ফিসরিগী মরমদা SWOT analysis অমা

ডোঃ য়ূম্নাম বেদজিৎ

মণিপুরগী ফিসরিগী মরমদা Strengths, Weaknesses, Opportunities and Threats (SWOT) analysis অমগী মতাংদা খঙজিনবা য়াবশিং-

**ষ্ট্রেঙথ :** ১) ঙাগী মমল ৱাংবা অমদি ঙাবু য়াম্না পাম্না চাবা লমদম অমা ওইবা।

২) পাৎ তুরেলনচিংবা মরাং কায়না লৈবা।

৩) ষ্টেটকী ফিসরিজ দিপার্টমেন্টতা ফিসরিজ ত্রেনিং সেন্টর লৈবা, সী এ য়ু ইম্ফাল লৈবা, আই সী এ আর ইম্ফাল সেন্টরদা ফিসরিজ সেক্সন লৈবা অমদি কে ভি কে কয়াদা ফিসরিজগী ওইবা মীওইশিং লৈবা অসিনচিংবনি।

৪) বরাক অমদি চিনৰিন তুরেলশিংদা তাবা তুরেলশিংনা মণিপুরগী তঙ্খায় তঙ্খায় ওইবনা ঙা মখল য়াম্না ফংবা।

৫) লোক্তাক পাৎ অসি ইন্দিয়াগী নোংপোক থংবা শরুক্কী খ্বাইদগী চাওবা ঈশিং ইচমগী পাৎ ওইবা অমদি মণিপুরগী ওইনা ঙা পুথোকপা অমদি থবক পীবদা অচৌবা থৌদাং লৌবা।

৬) লমদম অসিদা মৈহৌরোলদগী লৈরকপা অদুগা অতোপ্পা মফমশিংদা ফংদবা ঙা মখল কয়া ফংবা।

৭) লাইরিক লাইশু হৈরবা নহা কয়ানা ঙাগী ঙাথোক হেনগৎহনবগী ঈহৌদা থৱায় য়াওশিল্লকপা অমদি ঙা য়োকপবু শিনফম অমা ওইনা খন্নরকপা।

**ৱিকনেস :** ১) লমদম অসিদা মৈহৌরোলদগী লৈজরকপা ঙাশিংবু কা হেন্না ফাদোকপা।

২) হৌজিক হৌজিক্কী ঙা পুথোকপগী চাং অসি পুথোকপা য়াবগী চাংগা য়াম্না খেন্নবা।

৩) লমদম অসিগী মীওইশিংনা চাবা কোন্ননবা ঙা পুথোকপা ঙমদবা অমদি মপান লমদগী ঙা পুশিল্লকপা।

৪) অফবা মগুন চেনবা ঙা মচা মরাং কায়না ফংদবা।

৫) মহৌশাদগী লৈজরকপা ঙাশিংগী মরুম কোকফম লৈরক্তবনা মরম ওইদুনা লমদম অসিদা হান্নদগী লৈজরকপা ঙাশিংগী মশীং হন্থরকপা।

৬) শেল মরাং কায়না লৈতবা মরম্না পাৎ, তুরেলনচিংবা মহৌশাগী ওইবা ঈশিং লৈবা মফমশিং চাওখৎনবা হোৎনবদা থিন্থবা।

৭) মপু পান্দবা ঙা য়োকপা য়াবা মফম কয়া লৈবনা ঙা ফজনা য়োকপা ঙমদবা।

**ওপোর্চ্যুনিটিস :** ১) চহী অমগী মনুংদা মতম খরদা ওইরবসু ঈশিং লৈবা মফমশিংবু ঙা য়োকপদা শীজিন্নবা য়াবগী খুদোংচাবা লৈবা।

২) পেন কলচর হায়বদি পাৎ কয়াগী মপান্দা খাজিন্দুনা ঙা য়োকপা য়াবগী খুদোংচাবা লৈবা।

৩) কেজ কলচর তৌবা য়াবা মফম কয়া লৈবনা থৌওং অসি শীজিন্নদুনা ঙা ফজনা পুথোকপা য়াবগী খুদোংচাবা লৈবা।

৪) লৈতেংগী ওইবা ঙা মখল কয়া য়োক্তুনা শেন্দান লন্বী অমা ওইবা য়াবগী খুদোংচাবা লৈবা।

৫) স্পোর্টস ফিসরিজ অমদি এক্বাটুরিজমগী খুদোংচাবা কয়া লৈবা।

৬) লমদম অসিদা মহৌশাদগী লৈরকপা অপিকপা ঙা কয়া য়োকখৎতুনা ঙা পুথোকপগী চাং হেনগৎহনবা য়াবগী খুদোংচাবা লৈবা।





৭) পাৎ তুরেলনচিংবা কয়াবু ফজনা শেমগৎতুনা ঙা য়োকপা য়াবগী খুদোংচাবা লৈরি।

৮) কম্মুনিতি ফিসরিজ মেনেজমেন্ট পাঙথোকপনা মরম ওইদুনা মাঙখিগদৌরবা ঙা কয়াবু কন্দুনা অমদি ঙা মখল কয়াবু অকক্লবা মতম খরখক্তদা ফাদুনা ঙাগী ঙাথোক হেনগৎহনবা।

৯) ঙামীশিংনা ঙা য়োকপগী থৌওং অসি চহী খরা অসিদা অসুক্কী মতিক থুনা অহোংবা লাক্তুনা ঙাগী পোথোক অসুম অসুম হেনগৎলক্লি।

**থ্রেটস :** ১) ঙানা লৈফম, মচিঞ্জাক চাফম অমদি মরূম কোকফমনচিংবা কয়া কায়থরকপনা মরম ওইদুনা অতাঙবা ঙা কয়া মাঙখিবা।

২) চাওখৎলকপনা মরম ওইদুনা মহৌশাগী ওইবা পাৎ, তুরেলনচিংবা পিকশিল্লকপা।

৩) কাঙলোন লানবা মওংদা ঙা ফাবা।

৪) অতোপ্পা লৈবাকশিংদগী লায়না কয়া শন্দোরক্তুনা হান্না লৈজরম্বা ঙাশিংদা নারকপা।

৫) মপান লমদগী পুশিল্লকপা ঙা কয়া মহৌশাগী ওইবা পাৎ তুরেলনচিংবদা লৈরকপা।

৬) ঙা য়োক্লিবা মীওই খুদিংমকপু কাঙলোন চুম্না বৈগ্যানিক ওইবা মওংদা ঙা য়োকপগী মরমদা খঙহনবা ঙমদবা অসিনচিংবনি।

লমদম অসিগী ঙা পুথোকপগী চাং হেনগৎহন্নবগীদমক পায়খৎপা য়াবা থৌওং খরা -

১) পেন কলচর/কেজ কলচর ফজনা পাঙথোক্তুনা হান্না য়োক্লরমদবা ঙা কয়া য়োকপা।

২) তুং কোইনা ঙা পুথোকপা ঙম্নবগীদমক পাৎ তুরেলনচিংবা ঙা ফাবা য়াদবা অকক্লবা মতম খরা লৈহনবা। কম্বোং, থরো, থম্বাল অমদি থাংজিংনচিংবা পাম্বী কয়াবু ফজনা হৌহন্দুনা য়োকখৎপীবা।

৩) পাৎ, তুরেল অমদি রিজার্ভরনচিংবা মফম কয়াদা কম্মুনিতি ফিসিং পাঙথোক্তুনা মফম অদুদা লৈরিবা মীপূম খুদিংমক কান্নবা ফংমিন্নবা অমদি ঙা ফাবা মতমদা কাঙলোন লানবা মওংদা ফাহন্দবনা তুং কোয়না ঙা পুথোকপা ঙমহনগনি।

৪) পাৎ তুরেল অমদি রিজার্ভরশিংদা চানবা মখলগী ঙা মরু ওইনা লমদম অসিদা হান্নদগী লৈজরকপা ঙাশিংগী মশীং হেনগৎহন্দুনা ঙাগী ঙাথোক হেনগৎহনবা।

৫) লমদম অসিদা হান্না লৈজরম্বা ঙাশিংগী মচা পুথোক্তুনা অতাঙবা ঙাশিংবু পুথোকপা ঙমহনবা।

৬) ঙা য়োক্লিবা মীওইশিং অমদি ঙাগা মরী লৈনবা থবক তৌরিবা মীওইশিংদা মখল কয়াগী লৌশিং ফংহন্দুনা বৈগ্যানিক ওইবা থৌওং কয়াবু মমুৎ তানা খঙহনবা।

৭) পাৎ, তুরেল অমদি রিজার্ভরশিংদা করম্না ঙাগী পোথোক করম্না হেনগৎহনগনি হায়বগী মতাংদা দেমোন্সত্রেসন/ওন ফার্ম ত্রাইয়েলনচিংবা কয়া পাঙথোকপগী তঙাইফদবা লৈরি।

৮) হায়রিবা থৌওংশিং অসি মপূং ফানা মীয়ামদা য়ৌহন্নবগীদমক্তা টেক্নোলোজি শন্দোকপগী থবক তৌরিবা মীওইশিংনা মথৌ মশক খঙনা থবক তৌবগী তঙাইফদবসু লৈরি।

৯) অনৌ অনৌবা টেক্নোলোজি কয়া খুদম ওইনা হায়রবদা বাইওফ্লোক টেক্নোলোজি, রি-সর্কুলেটরি এক্বাকলচর, এক্বাপোনিকসনচিংবা টেক্নোলোজি কয়াবু কাঙলোন চুম্না পাঙথোক্তুনা অপিকপা মফম কয়াদগীসু ঙা পুথোক্তুনা ঙাগী ঙাথোক হেনগৎহনবা ঙমগনি। ●

# পাম্বীশিংদা মচিঞ্জাক পীবগী অনৌবা কাঙলোন - ইন্টিগ্রেটেদ ন্যুত্রিএন্ট মেনেজমেন্ট

ডা. ৱাইখোম জিতেন

লৌউ-শিংউবগী লম্দা চাওখৎপা হায়বসিগা শাগোন্নগদবা হীরমশিংগী মনুং চল্লিবসি মীয়ামগী কোন্ননবা পোথোক পুথোকপা, পুথোক্লিবা পোৎলমশিং অদুদগী মথৌ তাবা মচি ওইবা মচলশিং শুনা ফংহনবা, লৌমীশিংগী শেন্থোক ফগৎহন্নবা হোৎনবগা লোয়ননা লৌফম অদু লিশাং শিৎনা লৌ উবা য়াবা মফম অমা ওইহনবনি।
লেপ্তুনা হেনগৎলক্লিবা মীয়ামগী মথৌ তাবা মচি ওইবা পোৎলমশিংগী শরুক্কা লোয়ননা কোন্ননবা পোথোক পুথোক্কে হায়রবদি হৌজিক চৎনরিবা খূৎশেমগী হার খক শীজিন্নদুনা পোথোক পুথোকপগী মওং অসিনা য়ারক্লরোই। লিশাং শিৎনা পোথোক পুথোকপা য়াবা মফম অমা ওইহনবগা লোয়ননা অকক্লবা মফম অমদগী অকক্লবা মতমগী মনুংদা অহেনবা পোথোক পুথোক্কে হায়রবদি ইন্টিগ্রেটেদ ন্যুত্রিএন্ট মেনেজমেন্টকী কাঙলোন অসি পায়খৎতবা য়াদ্রবা থৌওং অমা ওইরে।




**ইন্টিগ্রেটেদ ন্যুত্রিএন্ট মেনেজমেন্ট :** থৌওং অসিগী মনুংদা পাম্বীশিংদা মচিঞ্জাক পীবদা শীজিন্নবা য়াবা পোৎলমশিংগী মনুংদা ষষ্থি-ষণয়ুং নৎত্রগা অহিংবা পোৎলমশিংদগী পথু-পুমথরগা ওইবা হার, খূৎশেমগী হারশিং অমদি পাম্বীশিংদা মচিঞ্জাক পীবা ঙম্বা অহিংবা জীবশিংবু পূন্না অকক্লবা চাং অমগীদা পূনশিন্নদুনা পাম্বীশিংনা শাহৌ ফনা হৌহনবদা চঙবা মচিঞ্জাকশিং ফংহন্নবা হোৎনৈ। খুদম ওইনা লৌ পরি অমগী লৌফমদা ষষ্থি ষণয়ুংগী হার কেজি ১০,০০০; পাম্বী মখল অদুগী মথৌ তাবা খূৎশেমগী হারগী অপূনবা শরুক্কী তঙ্খাই অমা অমদি পাম্বী মখল অদুদা নাইট্রোজেন অমসুং ফোসফরস ফংহনবদা মতেং পাংবা অহিংবা জীবশিং পূন্না শীজিন্নবা মতমদা লৌফম অদুদা মথৌ তাবা অপূনবা খূৎশেমগী হার খক শীজিন্নবদগী পোথোক হেন্না পুথোকপা ঙম্বগা লোয়ননা মতম শাংনা মথক্কী থৌওং অসি চথবনা লৌফমগী লৈহাওসু হেনগৎহল্লি। ইশম শম্না হায়রবদা পোথোক মরাং কায়না পুথোক্লবগীদমক পাম্বীনা মথৌ তাবা মচিঞ্জাকশিং খূৎশেমগী হার খক্তদগী লৌবগী মহুত্তা ঐখোয়গী অকোয়বদা মরাং কায়না ফংলিবা পাম্বীগী মচিঞ্জাক ওইবা য়াবা পোৎলম খুদিংমক শীজিন্নরবা মতুংদা অৱাৎপা শরুক অদু খূৎশেমগী হার শীজিন্নদুনা পোথোক পুথোকপগী কাঙলোন অদুবু ইন্টিগ্রেটেদ ন্যুত্রিএন্ট মেনেজমেন্ট কৌই।

**ইন্টিগ্রেটেদ ন্যুত্রিএন্ট মেনেজমেন্টকী কান্নবশিং :-**

(১) খূৎশেমগী অমদি মহৌশাগী ওইবা পাম্বীগী মচিঞ্জাকশিং পূন্না শীজিন্নবসিনা অনীমক্কী কান্নবা অদু পূন্না ফংহল্লি।

(২) থৌওং অসি পোথোক হেন্না পুথোকপা ঙম্বগা লোয়ননা শোকচিল্লুরবা লৈবাক লৈহাও ফগৎহল্লক্তুনা মতম শাংনা লৈহাও লৈবা লৌফম ওইহনবা ঙমই।

(৩) খূৎশেমগী হার মপূং ওইনা য়ুরিয়া খক মতম শাংনা শীজিন্নবনা লৌফমদা নাইট্রোজেন ফোসফরস অমসুং পোটাসিয়মগী শরুকশিং য়াওবগী চাং হন্থহনবা খক নত্তনা অতোপ্পা পাম্বীগী মচিঞ্জাক মখলশিং য়াওবগী চাং হন্থহল্লি। লোয়ন লোয়ননা লৌফম্থু ফনা থম্বা অমদি ঐখোয়না পীরিবা অতোপ্পা মচিঞ্জাক মখলশিং পাম্বীনা নিংথিনা শীজিন্নবদা মতেং পাংবা ওর্গানিক মেট্রর হায়বদু য়াওবগী চাং হন্থহল্লক্তুনা পোথোক চাথোক পুথোকপা ঙম্বগী শক্তি হন্থহল্লি।

(৪) থৌওং অসিনা ঐখোয়না হাপ্লিবা পোৎলমশিংবু পাম্বীনা শীজিন্নহৌদনা মাঙখিবগী চাং হন্থহন্দুনা পাম্বীশিংদা মপূং ফানা কান্নবা ফংহল্লি।

(৫) থৌওং অসি চথবনা লৌফম অদুদা শীজিন্ননবগীদমক খূৎশেমগী পোৎলমশিং লৈবগী চাং হন্থহন্দুনা লৌমীগী শেন্থোক হেনগৎহল্লি।

ইন্টিগ্রেটেদ ন্যুত্রিএন্ট মেনেজমেন্ট তৌবদা চঙবা পোৎলমশিং :-

১) খূৎশেমগী হারশিং খুদম ওইনা Urea, DAP (Diammonium Phosphate), Single Super Phosphate (SSP), Murate of Potash (MOP) নচিংবনি।

২) মহৌশাগী ওইবা পোৎলমদগী ফংবা হার খুদম ওইনা ষষ্থি-ষণয়ুং, পাম্বী-শিংবীদগী পথু-পুমথরগা ওইবা হার, পাম্বীগী লেমহৌখাকশিং, লৈহাও ফহনবদা মতেং পাংবা পাম্বীশিং মপান শাদ্রিঙৈদা লৌফমদা খোইজিন্দুনা হার ওইহনবা, বাইও গ্যাসকী মহি মচুমশিং, কৈথেলদগী থোক্লকপা পথু-পুমথগদবা পোৎশিংনা হার শেম্বা নৎত্রগা কৈথেলদগী চেন্থরকপা ঈরমশিংগী মহী মচুমশিং শীজিন্নদুনা পাম্বীগী মচিঞ্জাক ওইহনবা য়াই।

৩) পাম্বীশিংদা মচিঞ্জাক পীবা ঙম্বা অহিংবা জীব (বাইওফর্টিলাইজর) খুদম ওইনা Rhizobium, Phosphate, Solubilizing Micro-Organism (PSM), Azotobacters, Azospirrilum, Azolla, তিন্থোক মথীগী হার, Blue Green Algae (BGA) নচিংবা।

ইন্টিগ্রেটেদ ন্যুত্রিএন্ট মেনেজমেন্ট তৌবদা থেংনরিবা খুদোংচাদবা :-

১) কা হেন্না মেছিন শীজিন্নবনা শা-ষণগী মশীং হন্থখিবদগী ষষ্থি-ষণয়ুং ফংলক্তবা।

২) পাম্বীশিংগী লেমহৌখাকশিং কাঙলোন চুম্না শীজিন্নদুনা হার ওন্থোকপগী মহুত্তা মৈ থাদুনা মাঙহনবা।

৩) খূৎশেমগী হারশিং ইরায় লায়না ফংবা ঙম্বগা লোয়ননা মরী লৈনবা ৱাখল্লোন য়াওবা ৱাফোঙ চেশিং মরাং কায়না ফংই অদুবু মহৌশাগী ওইবা হারশিং অসিগা মরী লৈনবা ৱাফোঙ চেশিং মরাং কায়না ফংদে।

৪) পথু-পুমথহনবদা খোঙজেল য়াঙশিনহনবদা মতেং পাংবা ঙম্বা পোৎশিং লৌমীশিং অয়াম্বনা খঙনদবা।

৫) কৈথেলদগী থোরকপা পোৎলমশিংদগী হার শেমদুনা শীজিন্নবা অমদি মীওইবগী অমাং অশোয়দগী হার শেমদুনা লৌফমদা শীজিন্নবগী ৱাখল লৌশিং মরাং কায়দ্রি।

ঐখোয়গী অকোয়বগী খল ঙাক্তুনা থম্বদা মতেং পাংবগা লোয়ননা লৌমীশিংগী শেন মীৎলোন হেন্না ফগৎহনবা ঙমগদবা অদুগা লৌউ-শিংউ তৌরিবা মফম অদু লিশাং শিৎনা লৌ উবা য়াবা মফম অমা ওইহন্নবগীদমক পাম্বীগী মচিঞ্জাক পীবদা ইন্টিগ্রেটেদ ন্যুত্রিএন্ট মেনেজমেন্টকী থৌওংশিং পায়খৎপীফম থোকই। ●